# পি এমগী মচিন 'ল্যুকোপ্লাষ্ট'না নপশিনগদবনি ঃ মমতা বেনর্জি



*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ৮ঃ*

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙাংলিবা মীনম্বশিং অসি কোকহন্নবগী মীয়ামগী পাম্বে অমা লৈরে, মদু ল্যুকোপ্লাষ্ট কৌই হায়না ৱেষ্ট বেঙ্গল চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা ফোঙদোকখ্রে।

হায়রিবা প্লাষ্টর অদু বেন্দ এইদ থুংলিদ্রিঙৈগী আ মমাঙদা ষ্টেট অসিগী য়ূম খুদিংমক্তা শোয়দনা লৈনরমগদবা অমনি। মীখল অসিদা মীয়ান্না মহাকপু মীনম্বশিং অসি ঙাংবা ঙমহন্দনবা মাগী মচীন অদু ল্যুকোপ্লাষ্ট অমনা নপশিনগদবনি।

লৈবাক অসিগীদমক্তা মহাকপু মাগী চৌক্রি, পি এমগী ফমদগী তাহোকপদা নত্তনা পোলিটিক্সতগীসু তান্থোকদবনি হায়না মমতা বেনর্জিনা ফোঙদোকখি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা ষ্টেট অসিদা অনীরকশুবা খোঙচৎ অমা ওইনা ঙরাং লাকখিবনি। মহাক্কী অহানবা খোঙচৎ মতমদা মমতা বেনর্জিনা কেম্পেন তৌরিবা কুচবিহারদা পাংথোকপা মীফম অমদা মীয়ান্না মোদি হায়না হেন্না লাওরিবা মখৈ দিদি অদুনা তুম্বা য়াদ্রে হায়খিবনি। ৱেষ্ট বেঙ্গলদা চীফ মিনিষ্টরবু দিদি হায়না মীয়ান্না নুংশিনা কৌনৈ। অদুবু মমতা বেনর্জিবু হেন্না শাওহনখিবদি মোদিনা শরধা স্কাম, রোজ ভেলি স্কাম অমসুং নরদা স্কামগী মতাংদা পনখিবা অদুনি।

লূৎ তৌখিবা পৈশা খুদিংমক্কী পাউখুমশিং পীনবা চৌকিদার অসিদা তকখৎকনি হায়বসি ঐহাক্না নখোয় পূন্নমক্কী মফমদা ৱাশকপা পাম্মি হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি।

শরধা অমসুং রোজ ভেলি স্কামদা সি বি আইগী ইনভেষ্টিগেসন অদুনা চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিবু সেন্টরগা চাওনা মুক্নহনখিবনি।

অচম্বা মীয়ামগীদমক প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা করিমতা তৌখিদ্রি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি। হৌখিবা চহী ৫দা মহাক্না চহী মরীমখাই মালেম কোয়না চৎতুনা লৈখি। লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা লৌমীশিংনা সুইসাইদ তৌনখিবা মতম অদুদা মহাক করি তৌখি।

দিমোনিটাইজেসনগী মরমদগী মী শিখিবা অমসুং মীওই ক্রোর কয়ানা মখোয়গী থবক মাঙখিবা মতম অদুদা মহাক করি তৌখি হায়না নোর্থ বেঙ্গলগী জলপাইগুরিগী নগ্রাকতা টাউনদা পাংথোকপা মীফম অমদা মমতা বেনর্জিনা হংখি।

## গভর্ণমেন্টনা ২০১৯দা নেসনেল হায়ৱে কি মি ১০,৮০০ শেমখি

*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ৮ঃ*

এন দি এ লৈঙাক মতমদা হায়ৱেশিং শেম্বগী খেঙজেন খ্বাইদগী য়াঙবা ওইহন্দুনা ২০১৮–১৯দা কি মি ১০,৮০০গী হায়ৱেশিং শেমখ্রে অমসুং পাকথোক চাওথোকহনখ্রে। মসি নোংমদা কি মি ৩০গী লম্বী শেম্বা মান্নে। মসিগী তাইওন্নবদা মমাঙদা লৈরম্বা য়ু পি এ গভর্ণমেন্টনা ২০১২–১৩দা শেমখিবা হায়ৱে অসি কি মি ৫,৭৩২নি।

নরেন্দ্র মোদি গভর্ণমেন্টকীদমক হায়ৱে শেম্বদা চাওনা খূম্মাং চাওখিনখিবা অসি অচৌবা এচীবমেন্টশিংগী মনূংদগী অমনি।

অনীশুবা য়ু পি এ লৈঙাক্কী চহী ৫দা কি মি ২৪৬৯০গী লম্বী শেমখি নৎত্রগা পাকথোকহনখি। অদুবু হৌজিক্কী এন দি এ লৈঙাক মতমদা পূন্না শেমখিবা লম্বী কি মি ৩৯,৩৫০নি। মসি চাওরাক্না চাদা ৭০ হেল্লবনি।

২০১৭–১৮গী মনূংদা কি মি ১৭,০৫৫গী লম্বী শেন্নবা অমসুং চাওথোকহন্নবগী থবক পীখি।

চাওখৎলবা লৈবাকশিংদদি হায়ৱে শেম্বা হায়বসি অনৌবা লম্বী শেম্বা ওইনা খন্নরিবা অদুগা মান্নদনা ইন্দিয়াদা হায়ৱে শেম্বা হায়বসি অয়াম্বনা হান্না লৈবা লম্বীশিং পাকথোকহনবদা হেন্না মীৎয়েং থম্মি।

## য়ু পিদা কোংগ্রেস অমুক হল্লকপগী লম্বীদা লৈরে ঃ রাজ বাব্বর

*লখনৌ, এপ্রিল ৮ঃ*

উত্তর প্রদেশ কোংগ্রেস কমিটি প্রসিদেন্ট রাজ বাব্বরনা মহাক্কী পার্টি হৌজিক অমুক হল্লকপগী লম্বীদা লৈরে হায়বসি শেংলে হায়খ্রে।

মহাক্না মীরেপ ওইরিবা মফম ফাতেহপুর সিক্রিদা হৌজিক কেম্পেন তৌরিবা মিষ্টর বাব্বরনা হায়খি, হৌখিবা চী ৫দা বি জে পিনা কোংগ্রেস লিদরসিপতা করন্না খূৎ থাখিবগে হায়বদু মীয়ামনা উখ্রে অমসুং মোদি গভর্ণমেন্টকী পোলিসিশিংগী মখাদা মীয়ান্না অৱাবা খাংখ্রে। মীখল অসি অহোঙবা পুরক্নবগী মীখল অমনি অমসুং ফলশিংনা মদু প্রমান পীরগনি।

উত্তর প্রদেশকী মফম পূন্নমক্তা কোংগ্রেস ৱার্করশিংনা চহী কয়ামরুমগী তুংদা হৌজিক মীখল অসিগীদমক কন্না হোৎনরি হায়না মহাক্না হায়খি।

পার্টি ৱার্করশিংগী মরক্তা নীংবা কাইবগী ৱাখল লৈরম্বদু কোকখ্রে অমসুং অনৌবা তুংগী লম্বী অমদা কোংগ্রেসনা মীৎয়েং থম্মি হায়বসি মখোয়না উবা ঙম্লে।

প্রিয়াঙ্কা গান্ধী ভদ্রনা, মরুওইনা উত্তর প্রদেশতা পোলিটিক্সতা চংলকখিবা অদুনা লৈরমদবা পার্টিগী অশা অদু মেনখৎলে, সত্রুঘন সিংহনা চংলকখিবা অদুগুন্না অতৈ লূচিংবশিংসু চংলক্লগনি হায়না মহাক্না হায়খি।

## লেহগী গাইক খূননা ভোট্টর খ্বাইদগী য়ামদবা, অনলে ফোনা খ্বাইদগী ৱাংবদা লৈবা পোল্লিং বুথশিং ওইরে

*লেহ, এপ্রিল ৮ঃ*

জম্মু এন্দ কাস্মিরদা লাক্লিবা লোক সভা মীখল অসিগীদমক লিংখৎলিবা পোলিং ষ্টেসন ১১৩১৬কী মনূংদা লদাখ পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুয়েন্সিগী লেহ এসেমব্লি সেগমেন্ট মখাদা লৈবা গাইক খূনগী পোল্লিং ষ্টেসন অসিদা সুপ্নগী ভোট্টর ১২খক লৈদুনা মসিনা ভোট্টর মশীং খ্বাইদগী য়ামদবা পোল্লিং বুথ ওইরে।

মসিদা লৈরিবা ভোট্টর ১২ অসি নুপা ৫ অমসুং নুপী ৭নি হায়না লেহ দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্টোরেল ওফিসার এনভি লবসানা পি টি আইদা হায়খি।

মথংদা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা সমুদ্রগী ঈশিং ঈমাইদগী ফুট ১৪,৮৯০ ৱাংবদা লৈদুনা লৈবাক অসিগী মনূংদা খ্বাইদগী ৱাংবা মফমদা লৈবা পোল্লিং ষ্টেসন অমসু লৈ। পোলিং ষ্টেসন অসি লৈরিবা মফম অসি অনলে ফো কৌই।

এম পি ৬ খন্ননবা এপ্রিল ১১দগী হৌগদৌরিবা তাঙ্কক কয়া থোক্না পাংথোক্কদৌরিবা পার্লিয়ামেন্টরি মীখল অসিদা জম্মু এন্দ কাস্মিরদা ভোট্টর ৭৮,৪২,৯৭৯না ভোত থাদনবগীদমক পূন্না পোল্লিং ষ্টেসন ১১,৩১৬ লিংখৎখ্রে।

পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুয়েন্সি ৬ অসিগী মনূংদগী লাদাখ কনষ্টিট্যুয়েন্সিনা পোল্লিং ষ্টেসন মশীং খ্বাইদগী য়ামদে, সুপ্নগী ৫৫৯ লৈ ভোট্টর মশীংসু খ্বাইদগী নেম্মি, ১,৭১,৮১৯নি।

ওফিসিয়েল ওইবা মশীংগী মতুং ইন্না পোল্লিং ষ্টেসন অয়াম্বা ফুট ৮,০০১দগী ১৩০০০গী অৱাংবদা লৈ। খ্বাইদগী ৱাংবা পোল্লিং ষ্টেসন মশীং খ্বাইদগী য়াম্বনা লেহ এসেমব্লি সেগমেন্টতনি। মসিদা পোল্লিং ষ্টেসন ১৮৩ লৈ মথংদা কার্গিল সেগমেন্টতা ১৫৮ লৈ। অদুগা পোলিং ষ্টেসন ১৯০ হেন্না ফুট ৭০০১দগী ৮০০০ ফাওবগী অৱাংবদা লৈ।

## নক্সালশিংনা উলফা অমসুং রেদিকেল মুস্লিম লূপশিংদা মীৎয়েং থমদুনা অসামদা খোঙদানবা হোৎনরি



*গুৱাহাতি, এপ্রিল ৮ঃ*

অসামদা আইননা য়াদবা মীতোপশিং মশক খংদোক্নবা হন্দক নৌনা নেসনেল রেজিষ্টর ওফ সিটিজন্স (এন আর সি) শেমখিবা অদুগী মখা তারকপদা ওইরক্লিবা ফিভম অদুগী খুদোঙচাবশিং অদু লৌনবা নক্সালশিংনা হোৎনরি।

মকোক থোংবা নক্সাল লূচীংবশিংনা য়ুনাইটেদ লিবরেসন ফ্রন্ট ওফ অসোম (উলফা) লালহৌবা অমসুং রেদিকেল মুস্লিম ওর্গনাইজেসনশিংগী মরক্তা খোঙদানবা থবক লৌখৎলক্লি।

নক্সালশিং অসিনা গভর্ণমেন্টতা য়ানীংদবা রেদিকেল মুস্লিম লূপ খরদা ফোঙনা শৌগৎলি অমসুং মখোয়গী খোঙজংশিংদসু লমজিংলি।

নক্সালশিংনা মখোয়গী লাল্লোংসু হোংলক্লে অমসুং মখোয়গী কাদরশিংগীদমক চাং নাইনা খুৎসু–খূৎলাইশিং লৌফম ফংনবগীদমক উলফাগা খূৎশন্নদুনা অনৌবা রেদ কোরিদর অমা শেন্নবা হোৎরি।

অসামদা মাউইষ্টশিং লৈবগী পাউ হান্ননা লৈখ্রে। অসামদা লৈরিবা মাওইষ্ট মশীং মখোয়না থবক তৌরিবা মফম অমসুং মখোয়গী লিদরসিপ য়াওনা হৌজিক হৌজিক মখোয়না চত্থরিবা থবক–থৌওংগী চাং অদু ঐখোয়না খংনবা হোৎনরি হায়না হোম এফিয়ারস মিনিষ্ট্রিদা লৈবা ওফিসার অমনা হায়খি।

এন আর সি লিষ্টকী ফাইনেল দ্রাফ অদুনা মী মিল্লিয়ন ৪ রোম লিষ্টতগী লৌথোকখিবা অদুনা পাকচাওনা অশাওবা ফোঙদোক্নরকখ্রে অমসুং ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা অকনবা খোংজং চত্থহল্লকখ্রে।

মাওইষ্টকী মপাঙ্গল অসি খূৎলাই পায়বা কেদর ৫,০০০ রোম লৈ। ছতিসঘড়, মধ্য প্রদেশ অমসুং মহারাষ্ট্র ষ্টেটশিং কোল্লিবা মাওইষ্টকী দন্দকরনয়া স্পীসিয়েল জোনেল কমিটিনা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগীদমক খ্বাইদগী অচৌবা শীংনবা অমা ওইরি।

অদুম ওইনমক মখোয়গী সেনিয়ার লিদরশিংগী চহী অহল ওইশিল্লকপা অসি মখোয়গীদমক নুংনাংবা ৱাফম অমা ওইরি। চহী অহল ওইসিল্লকপনা মরম ওইদুনা মখোয়গী চত্থোক–চৎশিনদা খুদোঙচাদবা থোক্লি। মসিগী মথক্তা সেনিয়ার লিদর কয়া শিখিবা অমসুং সেরন্দর তৌখিবনা লালহৌলূপ অসিদা শাথিনা শোকহনখি।

সাউথ বস্তারগী দিষ্ট্রিক্ট ৩– বিজাবুর, দন্তেৱাদা অমসুং সুকমানা নক্সালশিংগী খ্বাইদগী হেন্না কনবা মফমশিংনি অমসুং মখোয়গী মরুওইবা রিক্রুট তৌফমনি। সাউথ সুকমানা পি এল জি এগী বটালিয়ন ১গী ওপরেটিং এরিয়ানি। মসিদা খূৎলাই পায়বা কেন্দর ১৫০ রোম লৈ।

## দিল্লিগী মিরান্দা হাউসনা ইন্দিয়াগী কলেজ মকোক, আই আই টি মদ্রাজনা হয়ার এদুকেসন ইনষ্টিট্যুটশিংগী মকোক ওইরে

*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ৮ঃ*

মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্টনা ঙসি লৈবাক অসিগী টোপ–রেঙ্কিং ইনষ্টিট্যুসনশিংগী লিষ্ট অমা ফোঙডক্রে।

মিনিষ্ট্রিগী হয়ার এদুকেসন ইনষ্টিট্যুসনশিংগী নেসনেল রেঙ্কিংদা আই আই টি মদ্রাজনা ১বা, আই আই এস সি বঙ্গালোরনা ২শুবা, অমসুং আই আই টি দিল্লিনা ৩শুবা তারে।

দিল্লি য়ুনিভর্সিটিগী মিরান্দা হাউসনা কলেজশিংগী লিষ্টতা খ্বাইদগী মকোক ওইরে। সেন্ট ষ্টেফেন্সনা ৪শুবা রেঙ্কতা লৈখ্রে।

মেদিকেল সাইন্সেসতা ওল ইন্দিয়া ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (এ আই আই এম এস)না টোপ–রেঙ্কিং ইনষ্টিট্যুসন ওইরে।

মকোক থোংবা ইনষ্টিট্যুসনশিং অদুদি– ইন্দিয়ান ইনষ্টিট্যুটস (ওভর ওল)–আই আই টি মদ্রাজ ; মকোক থোংবা য়ুনিভর্সিটি– আই আই এস সি বাঙ্গালোর, ইঞ্জিনিয়ারিং ইনষ্টিট্যুটস– আই আই টি মদ্রাজ অমসুং আই আই টি দিল্লি, মেনেজমেন্ট ইনষ্টিট্যুটস– আই আই এম বাঙ্গালোর অমসুং আই আই এম অহমেদাবাদ, কলেজশিং– মিরান্দা হাউস অমসুং হিন্দু কলেজ, মেদিকেল ইনষ্টিট্যুটস– এ আই আই এম এস ন্যু দিল্লি অমসুং পি জি আই এম ই আর চান্দিগড়, আর্কিটেচের ইনষ্টিট্যুটস–আই আই টি খরগপুর অমসুং আই আই টি রুরকী, লো ইনষ্টিট্যুটস– নেসনেল লো স্কুল ওফ ইন্দিয়া য়ুনিভর্সিটি বেঙ্গালুরু অমসুং নেসনেল য়ুনিভর্সিটি ন্যু দিল্লি।

য়ুনিভর্সিটিশিংগীদা আই আই এস সি বাঙ্গালোর, জৱাহরলাল নেহরু য়ুনিভর্সিটি দিল্লি, বনারস হিন্দু য়ুনিভর্সিটি বনারস, য়ুনিভর্সিটি ওফ হাইদরবাদ, হায়দরবাদ, কলকতা য়ুনিভর্সিটি, কোলকতা, যাদবপুর য়ুনিভর্সিটি কোলকতা, অন্না য়ুনিভর্সিটি চেন্নাই, অমৃতা বিশ্ব বিদ্যাপীথম, কোয়মবাতোর, মনিপাল একাদেমি ওফ হয়ার এদুকেসন, মনিপাল, সাবিত্রিবাই ফুলে পুনে য়ুনিভর্সিটিনি। ইঞ্জিনিয়ারিংগীদা আই আই টি মদ্রাজ, আই আই টি দিল্ল, আই আই টি বোম্বে, আই আই টি খরলপুর, আই আই টি কানপুর, আই আই টি রুরকী, আই আই টি গুৱাহাতি, আই আই টি হায়দরবদা অমসুং অন্না য়ুনিভর্সিটি চেন্নাইনি।

# চহী ১০০ শুরক্লে, জালিয়ানৱালা বাঘ মীহাৎশিংগীদমক য়ু কেনা লাল্লে হায়জরদবা য়ারি

*লন্দন, এপ্রিল ৮ঃ*



জালিয়ানৱালা বাঘতা চত্থখিবা পাক্তক্লনা হাৎপা মীহাৎ অদুগী চহী ১০০ শুরকপদা বৃটিস গভর্ণমেন্টতগী ফোর্মেল ওইনা লাল্লে হায়জনবা অপীলশিং হৌজিক ফাওবদা মনা পঙবশিংদা হায়বগা মান্ননা থোক্লি।

অদুবু সিখ খরনদি লাক্লিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা হাউস ওফ কম্মন্সতা জালিয়ানৱালা মীহাৎশিং অদুগী মতাংদা চত্থবা দিবেট অমদা ওফিসিয়েল ওইনা লাল্লে হায়জবা অমা লাক্লবা য়াই হায়না অশা তৌরি।

দিবেট অদু ইন্দিয়ান দাইস্পোরা মশীং য়ান্না লৈবা হাররো ইষ্টকী মীহুৎ ওইরিবা বোব ৱেকমেন এম পিনা থাঙ্গৎলকখিবনি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎতা দিবেট অদুদা বৃটিস গভর্ণমেন্টকী ষ্টেটমেন্ট অদু ওফিসিয়েল ওইনা নুংঙাইতবা ফোংদোকপগী ষ্টেটমেন্ট অমা ওইগনি। অদুবু মদু ওফিসিয়েল ওইবা লাল্লে হায়জবা অমদি ওইরোই হায়না ময়ামনা থাজে।

ৱাফম অসিগী মতাংদা মত পীরদুনা ফোরেন এন্দ কম্মনৱেল্থ ওফিস (ফোরেন এফিয়ারস)কী ৱাঙাংলোই অমনা পাউগী এজেন্সিদা ফোঙদোকখিবদা এফ সি ও গী মিনিষ্টর মার্ক ফিলনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা মীহাৎশিংদুগী মরমদা তৌগদৌরিবা ৱেষ্টমিনিষ্টর হোল দিবেট অমা শরুক য়াগনি। অদুবু মহাক্না করি হায়রগদগে হায়বদু মাংজৌননা হায়বা ঙমদে হায়খি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎকী দিবেট অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা ইন্দিয়ান –ওরিজিন এম পি প্রীটগিলনা য়ু কে দা লৈরিবা সিখ কম্যুনিটিদা গভর্ণমেন্টনা লাল্লে হায়জবা চুম্মি হায়খি।

তমথিরবা মীহাৎ অদুগী চহী ১০০ ফারকপগা মতম চান্ননা লাল্লে হায়জবা অদু মতিক চাগনি হায়না টনমানজিট সিংহ ধেসি এম পিনা হায়খি।

বৃটিস গভর্ণমেন্টতগী লাল্লে হায়জহন্নবা এম পি ১৫০ রোম হেনবদা হায়জদুনা সিখ ফেদরেসন য়ু কেনা চিঠিশিং ইখ্রে।

লাল্লে হায়জবা অদু লৈখিদ্রবশিং অদুগী মফমদা, মখোয়গী ইমূং–মনূংশিংদা অমসুং সুথাংশিংদা, লোয়ননা পঞ্জাবকী মীয়ামদা অমসুং মালেমদা লৈরিবা সিখ কম্যুনিটিদা হায়জবা ওইগদবনি হায়না ফেদরেসন অদুনা এম পিশিংদা ইখিবা চিঠিশিং অদুদা হায়খি।

## পাকিষ্টানদা চুজাক কবোক য়োনবা অমনা অতেক– অকাইশিংদগী শাবা প্লেন পাইনবা পার্মিসন ঙাইরি



*ইস্লামাবাদ, এপ্রিল ৮ঃ*

পাকিষ্টানি চুজাক কবোক য়োনবা অমনা অতেক অকাইশিং শিজিন্নদুনা মহাক্না ময়ুমদা শাজবা প্লেন অয়াবা ফংদনা পাইনবা হোৎনবদগী মহাকপু পুলিসনা থিংখিবগী মতূংদা হৌজিক লৈবাক অসিগী সিভিল এভিয়েসন ওথোরিটি (সি এ এ)দগী পাইনবগী অয়াবা ঙাইদুনা লৈরি।

মুহম্মদ ফয়াজদগী মার্চ ৩১দা ফাগৎলকখিবা প্লেন অদু পুলিসনা এপ্রিল ৪দা অমুক হন্না খূৎশিন্নরকখ্রে। মশাগী চহী ৩০ শুরবা মীওই অসিনা এয়ারফোর্স পাইলোট অমা ওইনবগী মঙ মঙখি অদুবু লাইরবা মরমদগী সেনিয়ার স্কুল লোয়শিনবা ঙমদনা মহৈ মখা তমথবা তোকখি। মহাক্কী কোকথক্তা প্লেনশিং পাইরকখিবা খুদিংমক্তা য়েংখৎতুনা নোংমদি ইশামক্না প্লেন অমা পাইনবা অশা তৌখি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

পঞ্জাব প্রোভিন্সকী পাকপাতনদা লৈবা ফয়াজনা পাকিষ্টানগী লূপা ৯০,০০০ (দোল্লর ৬.৩৬)চংনা প্লেন অদু শান্নবা বেঙ্ক লোন লৌখি, মাগী লম মচেৎ অমা য়োনখি অমসুং মানা তুংশিঞ্জবা শেনফম শিজিন্নখি। মহাক্কী অঙাং ওইরিঙৈগী মঙলান অদু মঙফাওনহন্নবা মহাক্না নাইট ৱাটচমেন অমা ওইনা থবক তৌবগা লোয়ননা নুংথিলগী মতমদা চুজাক কবোক য়োনদুনা শেন তুংশিল্লকখি। মহাক্না কনাগুম্বা অমত্তদগী টেকনিকেলগী মতেং য়াওদনা ময়ুমদা চহী অমরোমগী মনূংদা প্লেন অদু শাবা হৌখি।

মহাক্না প্লেনশিংনা ক্রাস তৌরিবা করিগীনো খংনবা অমসুং এয়ারক্রাফ অমগী তোঙান তোঙানবা পার্টশিং অমসং পার্টশিংদুনা তৌরিবা থবকশিং অদু খঙননবা নেসনেল জিওগ্রাফিক চেন্নেলগী 'এয়ার ক্রাস ইনভেষ্টিগেসন' কৌবা সো অদু য়েংখি।

ফয়াজনা মার্চ ২৩দা পাকিষ্টানগী জাতিগী ফিরাল অমা থেৎপা মাগী সিঙ্গল–সিটর প্লেন অদু অহানবা ওইনা পায়খৎনবা থৌরাং তৌখি। অদুম ওইনমক পুলিসতা অমসুং সেক্যুরিটি এজেন্সিশিংদা ফ্লাইট অদুগী পার্মিসন পীয়ু হায়না থাখিবা মাগী এপ্লিকেসন অদু কৈদৌঙৈদা য়ারকখিদ্রে।

খরা হেন্না পীকপা ইঞ্জিন অমা পানবা প্লেন অমা মহাক্না চহী অমগী মমাঙদা অয়াবা য়াওদনা চাংয়েং ওইনা পাইখ্রে অমসুং মাগী খুঙ্গংগী মথক্তা কোয়না পাইখ্রে। মহাক্না হোৎনরিবা মতৌ অদুদা পাকিষ্টানগী সিভিল এভিয়েসন ওথোরিটি (সি এ এ)না মহাক্কী খৌরাংবা অমসুং মিনি এয়ার প্লেন শাবগী হৈ–শিংবা অদুগীদমক মহাকপু মখোয়না থাগৎলি হায়খি অমসুং শিনফম অসিদা হেন্না হৈশিংবা অদু ফংনবগীদমক মথৌ তাবা গাইদেন্স অদু মঙোন্দা পীগনি হায়খি।

## উগন্দাদা ফাখিবা য়ু এস টুরিষ্ট অমসুং দ্রাইভর রেনসম পীরবা মতুংদা রেস্ক্যু তৌখ্রে

*নাইরোবি (কেনিয়া), এপ্রিল ৮ঃ*

মিলিটরি ৱাঙাংলোই অমগী মতূং ইন্না উগন্দাগী ক্যুইন এলিজাবেথ নেসনেল পার্কতা আমেরিকান নুপী অমা অমসুং মহাক্কী উগন্দান দ্রাইভর ফাখিবা অদুগী নুমিৎ ৫নিগী মতূংদা মখোয় অশোক–অপন থোক্তুনা থাদোরকখ্রে হায়রি।

মী ফাবগী থবক অসি কোঙ্গোগী ইরাং লৈবা নোর্থ কিভু প্রোভিন্সকা থংনবা ঙমখৈ মনাক্তা থোক্লবসু শান্তি ওইবা উগন্দাদদি মী ফাবগী থৌদোকশিং তাঙনা থোকই হায়না ব্রিগেদিয়ার রিচার্দ কেরেমিরনা হায়খি।

মী ফাবশিং অদুগী মশক খংদনা লৈরি। থাদোকমন ওইনা দোল্লর ৫০০,০০০ পীনবা ফাদুনা লৈরিবা মীওইশিং অদুগী ফোনদা দিমান্দ তৌরিকখি। লম কোয়বদু শীল্লিবা টুর কম্পেনি ৱাইল্দ ফ্রন্টিয়ারসনা মখোয়বু থাদোক্নবা রেন্সম অমা পীখ্রে। অদুবু শেনফম অদু কয়ানো ফোঙদোকখিদে।



কালিফোর্নিয়াগী কোষ্টা মেসাদগী মশাগী চহী ৩৫ শুরবী কীম্বরলি এন্দিকোট কৌবী অমেরিকান টুরিষ্ট অদুনা পুলিসনা অহল ওইরবশিংনি হায়বা মতৈ–মনাও অমা, দ্রাইভর অমা, গাইদ অমগা লোয়ননা চৎখিবনি।

গাইদ অদুগা অমেরিকান টুরিষ্ট অদুগা ঙরাং নোংমাইজিংগী নুমিদাংদা হোতোল অমদা হল্লকখ্রে। হৌখিবা লৈবাকপোকপগী নুমিদাং ৱাইরমদা মীওই ৪না নোংমৈনা নমদুনা মখোয়বু ফাখিবনি। অতোপ্পা টুরিষ্ট ২দি শোক–পন্দনা নাহোকহৌখি হায়না পুলিসনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি।

ক্যুইন এলিজাবেথ নেসনেল পার্ক অমসুং উগন্দা অনীমক অসি লমকোইবা মীওইশিংগীদমক শাফব মফমনি হায়না খন্নে।

অদুবু ঙমখৈ হেক ৱাংমদা কোংগোদা খূৎলাই পায়বা গ্রুপ ১০০ হেন্না লৈ। মখোয় অদুগী মনূংদগী খরনা লৈবাক অসিগী ট্রোপিকেল রেন ফোরেষ্টকী স্কৱার মাইল ৩,০০০ গী ট্রেক অমা ওইরিবা বিরুংগা নেসনেল পার্ক য়েংবা লাকপা টুরিষ্টশিং কিদনেপ তৌই। পার্ক অসি মসিদা লৈবা গোরিলাশিং অমসুং মৈগী চীংশিংগীদমক মমিং চৎলি। এম্বুস অমদা মী শিখিবা থৌদোক অমনা পার্ক অসি নমদুনা থিংজিনখিবগী থা ৮গী মতূং ফেব্রুৱারি তঙ্খাইদা অমুক হাংদোকখি।

## GAS TODAY

**Manipur Gas**
Booking : 07/02/19
Valid : 05/02/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 09.30 a.m.

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 08/02/19
Sl. No. : 9054
Valid : 06/02/19
Sl. No. : 8131
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Athokpam Indane**
Booking : 13/02/19
Valid : 04/02/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Lambodara Indane**
Booking : 04/04/19
Valid : 02/04/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m.

**Misao Gas Service**
Booking : 15/03/19
Valid : 20/02/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Mahalaksmi Indane Gas**
Booking : 01/03/19
Sl. No. : 246092
Valid : 21/02/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**R B D Indane**
Booking : 16/02/19
Valid : 02/02/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Imphal L P G Service**
Booking : Up to Date
No Booking Required
Stk : 306, 19kg -155
Time :From 08.00 a.m.

**Khoriphaba Gas, Nambol**
Booking : 13/03/19
Valid : 04/03/19
Sl. No. : 23227 To 23715

**Phayeng Indane**
Booking : Up to Date
Valid : 01/04/19
Stk : 306
Time : 08.30 to 10.30 a.m.

**Lamsang Gas Service**
Booking : 15/02/19
Valid : 09/02/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**M. M. Gas Service**
Booking : 23/09/19
Valid : 19/02/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.30 a.m.

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-90**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | | | | 3 | | 4 | 9 | |
| 1 | 3 | | | | 4 | 8 | | |
| | 9 | 7 | | 5 | | | | 2 |
| | 4 | | 1 | | | | 3 | 5 |
| | 5 | | 9 | | 3 | | 7 | |
| | | 3 | 5 | 4 | | | | 9 |
| 9 | | 4 | | | 7 | 5 | | |
| 7 | | | 3 | | | 9 | 4 | |
| | | 5 | | 8 | 9 | | | 1 |

**সনা–সুদোকু –৮৯ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 7 | 1 | 5 | 3 | 6 | 9 | 8 | 4 | 2 |
| 6 | 9 | 4 | 8 | 7 | 2 | 1 | 3 | 5 |
| 2 | 3 | 8 | 5 | 4 | 1 | 6 | 9 | 7 |
| 3 | 6 | 7 | 4 | 2 | 8 | 9 | 5 | 1 |
| 4 | 5 | 9 | 6 | 1 | 7 | 3 | 2 | 8 |
| 8 | 2 | 1 | 9 | 5 | 3 | 4 | 7 | 6 |
| 9 | 8 | 6 | 2 | 3 | 5 | 7 | 1 | 4 |
| 5 | 7 | 3 | 1 | 8 | 4 | 2 | 6 | 9 |
| 1 | 4 | 2 | 7 | 9 | 6 | 5 | 8 | 3 |